# "অৱাবা ঈপাক্তগী কন্ননবা পাম্বৈ"

- মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ -

"ফদিগোম মপুল অমা লৈবদা য়েনবা অচৌবা অমা হাপ্পী হায়বদুনি"। ৱাফম অসি মতমসিগী মীওইশিংনা লল্লোনবশিংগী নুংদা লৈরিবা মীয়াম্বু ইফোং ফোংনা অপঙবা শীবগী ৱাখল্লোন অদু খঙনা ফাগি ওইনা ঙাঙনবা ৱাফমনি। য়েনবা অচৌবা অমগী মমল অদু ফদিগোম মপুল অমগী মমল ওইনা ওস্থোক্লগা য়েনবা অদুনা লেম্না হাপ্পনি হায়না খলহনবনি। অসুন্না পোৎশক অমবু মমল হোঙনা ফংহনবগী মহুত্তা পোৎশক অনীগী অহুমগী মমল ওইহল্লগা মীয়ামদা মমিৎ থকহন্দুনা পোৎ অমা লৈবদা অমা হাপ্পী নৎত্রগা অনী হাপ্পী হায়জিন্দুনা মীনম শোরিদুনা চমজরবা মীয়ামদা নমথাক্কী পোৎয়োন অমা চত্থনবসু ঐখোয় খুদিংমক্না থেংনরি। মসিগী পোৎ য়োনবগী থৌওং অসিনি মতমসিগী লল্লোনবশিংনা শীজিন্নরিবা কাঙলোন অসি। মণিপুরদদি পোৎকী মমলবু হেক হেনগৎখ্রবা অমুক হন্থরকপগী ৱাফম লৈতে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়েংশিনবীনবা লৈতবগুম্মী। কোভিদ লাইচৎ মমাঙদা লৈরম্বা থাওগী মমলদগী হৌজিক্না য়াম্না হেনগৎলে হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু তাঙখৎলক্লিবা থাওগী মমলগা চানদনা অকনবা কোভিদ লাইচৎ মনুংদা মী অমগা মী অমগা লাপথোক্নুনা গাড়ী তোংলিঙৈগী অতোংমলদুদগী ইতা তাথদনা গাড়ী অতোংমল লৌরি। অদুবু মসি কনানা য়েংশিনবীরিবগে? মীয়াম্না পামজবদি লৈঙাক্না লেপ্লবা চৎনবা য়ারবা অতোংমল অদু তোংলিবা মীয়াম্না হেক য়েংবদা উগদবা গাড়ী অদুগী মফম অমদা থেৎতুনা থমহন্নীংই। হৌজিক ওইরিবা মওং অসিদি য়েংশিনবীনবা লৈতনা মানা মানা অপাম্বা পংতৌ তৌনরকপদগী ঙসিদি পোৎকী মমল অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি।

পোৎ চৈগী মমল তাঙখৎনরকপদগী মীচম মীয়াম ৱানরে হায়বসিদি থাঙ্গৈশেংনা চুম্লব্রা হায়না খল্লি। লৈঙাক অমগী মথৌদি লমদম অদুবু শেমগৎ শাগৎপা খক্তা নত্তে। মরু ওইনা লৈরিবা মীয়াম্বু লায়না হিংবা ঙমহনবা অমদি লম্বী থোং নুংঙাইহনবা হায়বসিনি। লায়না হিংবা ঙমহনবা হায়বসিদা চঙলিবসি হিংবদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল হন্থহনবা অমদি লায়রবা, ইনাকখুনবা হায়বা খায়দনা অনা-অয়েক নংলবশিংনা শীজিন্ননবা হীদাক লাংথক্কী মমল হন্থহনবনি। অনা-অয়েক য়াওরবা হায়বসি অৱা অনা তারবনি। মরম অদুনা অনা অয়েক্কী হীদাক লাংথক্কী মমল হন্থহনবা হায়বসিসু মীয়ামগী খনবীবা হায়বসিদা তঙাইফদনা পেত্রোল দিজল অমদি চাকথোং গ্যাসকী মমল হন্থহনবসু চঙলি। মসি অপঙ-অশিং হায়বা খায়দনা খঙনরবা ৱাফমনি। মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা উ পাম্বীশিংবু মৈ থাদোক্তুনা অকোয়বগী ফীভমদা মোৎশিল্লক্তনবা অমদি মহৌশাগী শক্তম্বু মপূং ফানা ঙাক্লনবগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা য়োজনাগী মখাদা লেম্না নুপীশিংগী মমিংদা চাকথোঙ গ্যাস ফংহনবগী থবক অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চঙশিল্লকই। লোয়ননা গ্যাসকী মমলসু হেনগৎহল্লগা মশা মশাগী একাউন্টতা অপীকপা শেনফম খরা খরা চঙহন্দুনা মীয়াম্বু হরাওহল্লম্মী। তৌরিবা থৌওং অসি খঙবা কনাগুম্বশিংদি থোইনা হরাওনদে। অদুবু ঙসিদি মশা মশাগী একাউন্টতা শেলসু চঙলকখিদ্রে অদুগা লুপা ৬০০/৭০০ পায়রগা গ্যাস লৌবা য়ারম্বদু লুপা ১২০০ পায়দ্রবদি য়ারক্ত্রে। মোইরাং থোইবীনা কবোদগী লোই কুম্লকপদা নোংবানগী মফমদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা লাঙ্গোই শগোল তোংলগা লৌখায় অমা থৌদোকই, লৌশেন অমা থৌজিল্লকই, লৌরাক অমা থৌদোক তৌদুনা নোংবানগী মফমদগী নাম্থোকখিবদু নীংশিংলকই।

ইকুই কুইদ্রিবা মতমনি হায়বসু য়াই ঙসিদগী চহী নিফুমুক্কী মমাঙদদি ঐনা খঙজবদা লৌবুক্তা তীলহাৎ হীদাক, নাপী হীদাক অমদি খূৎশেমগী হার মখলশিং অমত্তা শীজিন্নরমদে হায়বমক য়াই। কনাগুম্বশিংনা করিগুম্বা মতমদা লৌ শঙম অমগী লৌহোন হুনফমদা য়ুরিয়া শের অমগুম্বা চাইনবসু য়াওরম্মী। অদুবু ঙসিদি চহী নিফু মমাঙগী খূৎশেমগী হার শের অমগী খোঙথাং অদুদগী শের চাম্মা চাম্মনা খুজিং ওইদুনা লৌবুক্কী লৈহাও মাঙহনখ্রে, লৌমীগী মতম মাঙহল্লে অমদি শেল-থুমদা অঙকপা ফংনা শোকচিহনখ্রে। হার য়াওদ্রবদি পোত্থোক হন্থরে। লৌমীদা অহেনবা শেল চৎহল্লে। ফৌ চেঙ তাঙখৎহল্লে। খূৎশেমগী হার লৈননবগীদমক অহিংদা হৌগৎতুনা চেন্নরে অমদি করিগুম্বদা অশি অনা ফাওবা থোরক্লে। অরোইবদা মপাল লমদগী চেঙ পুশিল্লক্ত্রবদি চাবা ফংদবা মপূং ফানা মীপাল তাংবা হায়বদু চপ চানা ওইরকই। ঙসিদগী চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদদি শীজিন্নবীদ্রবা মপাল লমগী চেঙশিং অসি পৈফমশিংদা কুইনা কুইনা নমশিন্দুনা থম্বদগী নমথীবা তীন চাবা কয়া য়াওরম্মী। অসিগুম্বা মপাল লমগী অয়েন চেঙশিং অসিনা চাক থোংবদা মদুগী নমথীবা মনম অদুনা লৈকায় লান্না চৎনরম্মী। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি পৎপা, পূম্বা, তিন চাবা নংদ্রে। মণিপুরগী লৌবুক্তগী চেঙ মরাং কায়না পুথোরক্ত্রবনিনা মপাল লমগী চেঙদা মীৎয়েং থম্নরক্লে। অসুন্না ঙসিদি লৌমী-শিন্মীশিংগীদমক শেমখিবা হার শেঞ্জাও পায়বা, লল্লোনবা, মীচঙ শঙ্গ লৈবা কাঙবুশিংগী ওইরক্তুনা লৈঙাক্কী অচৌ অশাং ফাওবনা খূৎ থিংজিন্নবা হৌরক্তুনা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংবা হায়বদু ওইরক্লে। মতম অমদা ইরমদমগী চেঙনা মপাল লমদা থাদোকখিবগীদমক চাবা কোন্নদ্রে হায়দুনা মণিপুরগী অনীশুবা নুপী লাল তৌখিবদো ঙসিদি মপাল লমদগী পুশিল্লকপা চেঙ ফংনরক্তবগী ঐখোয় মশেল খৎনরি। করিগুম্বা খূৎশেমগী হার অসিনা ফংলক্তবা মতমদদি পাক শন্না মীশি-মীনা য়াওবা হায়বদু ওইগদৌরি। মসিনি লল্লোন ইতিক তৌবশিংনা খ্বাইদগী পামজনা মায় পাক্না থাংজিল্লিবা খোঙথাংসি। অসুন্না শীজিন্নরমদ্রবসু য়াবা পোৎশক অমবু লৌবুকশিংদা মতৌ করম্না শীজিন্নগদগে হায়বা খঙদনা লান্না শীজিন্নবা হৌরুবদগী লেপ্পা ঙমদদুনা কংশিশিবগী তাঞ্জা অমা লাকপসিদা ঙসিগী মীরোল অসিনা নীংবা কায়বগী নিংশা হোল্লক্লি। মরম অদুনা নিশাদা লুপলুরবা মীশক অমবু ময়াই কারবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী তপ্না তপ্না চিংথোক্লনবা হোৎনবগুম ঙসিদি ইরমদমগী লৌবুকশিং কন্ননবা অমদি চিঞ্জাক্তা মীপান তাংলিবসিদগী কন্ননবা অখঙ অহৈশিংনা মহৌশাগী ওইবা ষস্থি-ষণয়ুং অমদি মনা-মশিংনা পৎহন্দুনা শেম্বা হার (বাইওফর্টিলাইজর) গী খূথাংদা তপ্না তপ্না কন্ননবা হোৎনরক্লি।

হৌজিক ঐখোয়গী খুন্নাইগী কৈথেল অসিদা ময়াই কারবা পোৎশক লল্লোনবগুম তপ্না তপ্না চঙশিল্লকপা অতৈ কয়াসু লৈরি। মণিপুরদা কুমজা ২০০৪গী মমাঙ ফাওবদদি মোবাইল ফোনগী খুদোংচাবা লৈনরমদে। মতম অদুদা মোবাইল ফোন য়াওনরমদ্রবসু অদুম্মক নুংঙাইনা হিংবা য়ানরম্মী। মতম মতমগী ঈ-পাউ খুদক খুদক্তা ফংবা ঙম্নরমদ্রবসু মদুমক্না হেন্না খুদোংচাদবা হায়বদুদি ওইনরমদে। অদুবু হৌজিক্তি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না শুপ্পগী মীৎকুপ অমদা মালেমগী মতাই অমদগী মতাই অমদা করি থোকপগে হায়বদু য়াম্না লায়না খঙনবা ঙমহল্লে। অদুবু মতমগী অহোংবনি, অওনবনি, ঐখোয়সু য়াওল অসিদা য়াওফম থোকই, য়াওবসু য়াওরি। মসিগী মতিক ময়াই নীংথিনা অমাঙ-অতোং করিনো খঙদনা শীজিন্নবা মীওইশিং নত্তনা ঐখোয় খরনা মসিগী কান্নবসু লৌনরি। ইহান হান্না মোবাইল থোরকপা মতমদা শেল থুম খরা য়াম্না পায়জবা নৎত্রগা তঙাইফদবা মীশক খরতনা পায়নরম্মী। লুপা লিশীং অমা পীবা মোবাইল ফোন অমা পায়ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা অদুম মায়োক্লখিবা ঙাক্তনি। মতম অদুদদি লুপা তরাগী হাপখিবা অসিনা মখোয়না পীরিবা থা অমগী মনুংদুদা ঐগী ঐগী মথৌ তাবগী মতুংইন্না শীজিন্নবীরগা লোইরে। করিগুম্বা অহেনবা মথৌ তাবশিংনা হেন্না শীজিন্নজবা অদুনা মখোয় মখোয়গী অপাম্বগী মখা পোল্লম্মী। মসি পোৎ য়োনবা অমদগী পোৎ লৈবা অমগী ফংফম থোকপা নীংতম্বা অদুনি। অদুবু ঙসিদি মোবাইল ফোন্না পীবা কান্নবা অদুগী খন্নরগা ইমুং খুদিংগী মীপূম খুদিংমক্কী মোবাইল ফোন অমমম পায়নরে। কনাগুম্বনা অনী শুনা পায়বসু য়াওনরি। হৌজিক্তি মোবাইল ফোন হায়বা পোৎশক অসি মীওইবগী নোংমগী পুন্সিদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা পোৎশক অমা নমদুনা ওইহল্লকখ্রে। কোভিদ লাইচৎ লাকখিবদগীদি অঙাংশিংগী মহৈ মশীন তম্বদসু তঙাইফদনা য়াওদবা য়াদবা অমা ওইরকখ্রে। তশেংনা হায়রবদা ইন্দিয়াগী লৈরিবা মীওই ক্রোর কয়ানা মীওই অমগা মোবাইল অমগা লৈনরবগুম্বনি। করিগুম্বা মতমদা মতাং মতমগী মতুংইন্না নেটৱার্কতা অথিংবা থম্লকপা মতমদা মীপূম খুদিংমক্না ঙাওদুনা চেন্নরে। মোবাইল ফোন হেক য়াওদবদা থৱায়গা হকচাংগা খাইনবগুম ৱানরে। মসিগী খুদোংচাবা অসি লৌরগা য়ামখ্রবা ইন্দিয়াগী মীয়ামগী ফুরিৎখাওদা চঙদুনা তারিফকী মমল (থাগী ফোন অতৌমল) হেনগৎহন্দুনা নোংমা নোংমগী শেঞ্জাও কয়া খোমগৎননবা হোৎনরি। মপূং ওইনা মোবাইল ফোন্দগী কান্নবা লৌবা মীগী মশীংদি পংয়াম য়াল্লমগনি হায়বা থাজদে। অদুবু হান্না ঐনা ঐনা শীজিন্নজবগী মতুংইন্না থা অমগী অনীগী লুপা তরা কুনগী হাপ্পরম্বদু য়াখিদ্রে। অহানবদা চুন্না তৌরম্লবসু হৌজিক্তি নম্ফুদা মখোয় মখোয়গী খুদোংচাগদবা য়েংদুনা মীপূম খুদিংমক্কী ফুরিৎখাওদগী হকথেংননা শেল মুন্ননবা হোৎনরক্লে। অসুন্না অথেনবা মফমদা লেপহন্দুনা য়াম্না লায়না লৌহল্লগা অসুম অসুম ঈয়াইদা পুথবীদুনা ঈরাক্লহল্লগা শিবা চঙবা নরন্নাইনি হায়দুনা হুন্দোক্তুনা চৎখিবগুম হৈথোই শিংথোইরে হায়না লৈরিবা মীওইশিংনা চমজরবা মীয়াম্বু লল্লোনপোৎকুম মরম চাদনা হেক হেক ৱাহনবীরম্বসি ঙসিগী খুন্নাইসিদা তোয়না থোক্লিবা থৌদোক ওইরক্লে। অসুন্না মীয়ামগী পুন্সিদা হেন্না অৱাবা নংহনবা হায়বসি লমদম অমগী লৈঙাক অমনদি কৈদৌনুংদা পাম্লম্লোই হায়না খল্লি।

মতাং অসিদা লাকচনীংলিবদি, অচৌবা লল্লোনবশিংগী মখূত্তা মীয়াম্বু ইরাক্লহন্দুনা ৱানরিবা অসিসু লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা খঙবীরমগনি। লৈঙাক্না মীয়াম্বু নুংঙাইহনগদৌরিবনি হায়দুনা লল্লোনবশিংদগী শেনকক (খাজনা) চাউনা চাউনা লৌদুনা অচৌবা শেনফম কয়া খোমজিল্লগা মীয়ামদা চেঙ খরা লেম্না পীবা, লায়রবশিংবু লেম্না লায়েংবীবা অসি মীপূম অয়াম্বনা থোইদোক্না পাম্লমগনি হায়বা থাজদে। লৈঙাক্না শেঞ্জা থুমজা ফনা য়াম্না থিংজরবসু অসিগুম্বা লায়র-অনংশিংদা হেন্না খুদোং চাবা পীবা চাওখৎ থৌরাংশিং অসিদি মরী লৈনবা লোয়শঙগী মীওইশিংগী হুরান, মীনম শোরিদুনা শেল তানবা নুংঙাইনবা ওইনা থোক্তবসু নত্তে। মীয়াম্না পাম্নরিবদি মমল তিংদনা পীবীবগী মহুত্তা পোৎ পুথোক পুশিন্দা তঙাইফদ্রিবা থাওগী মমল হন্থহন্দুনা মীয়াম্না হিংবদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল হন্থহনবা অমদি অনা লায়েংবদা তঙাইফদ্রবা হীদাক্কী মমল হন্থহন্দুনা লায়রবা ইনাকখুনবা হায়বা থিদনা নুংঙাইনা হিংবা ঙমহনবা অদুনি। মীওইবা খুন্নাইনা হিংবদা য়াওদ্রবসু য়াবা পোৎ চৈশিং, ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং, অকে-অমৌগী পোথোকশিং অমদি অতৈ হীরম খরদা শেনকক (খাজনা) চাউনা চাউনা লৌবীরগা মীওইবা অমা ওইনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা চিঞ্জাক অমসুং হীদাক লাংথক্তা হেন্না মমল হোঙহনবীরবদি লাইরৈবাক্কুম্না নুংঙাইরবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগদ্রা হায়না থাজে।

ঐখোয়না লমদম অমগী লৈঙাক্তগী মমল তিংদনা মতেং পুন্সি চূপ্পা ফংলগনি খন্দুনা নুংঙাইনা হিংবা ওইথোক্তে। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীওইবা অমা ওইনা হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল (অনা-অয়েক্কী হীদাক য়াওনা) হোঙহনবা অমদি লম্বী-থোং নুংঙাইহনবনি। মসিনা মীয়াম্না অৱাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লবদগী কনবা ঙমগনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## লৈরায় নমথখিবা শেমজিনবিদবদগী মীয়াম চত্থোক চৎশিন্দা অপনবা ওইরে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): শিংজমৈ কৈথেল মনাক্কী ইম্ফাল তুরেলগী লৈরায় ঈশিং ঈচাওদা নমথখিবদগী হৌজিক ফাওবা শেমজিনবীদবনা মরম ওইদুনা মফম অসিদা ফাওদুনা চত্থোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

কৈথেল ফম্বী মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা তুরেলগী লৈরায় অসি মণিপুর লৈঙাক্না মতম চানা শেভন্দিবনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী ঈশিং ঈচাও লাকপদা হান্না থোঙ্গৎলম্বা লৈরায় অদুসু তুরেল মনুংলোমদা নমথখ্রে। তুরেলগী মনুং থংবা মফম অসি পাইল য়ৈদুনা রিটেনিং ৱাল চন্দ্রগদি ঈশিং চাওরকপা মতমদা তুরেলগী ঈচেলনা লৈরায়দা য়ৈবা মপা ওইবনা লৈবাক থোল্লগসু অদুম চেন্থখি। হৌজিক মফম অদুদা হান্না গাড়ি মচা অমদি কারনচিংবা চৎলম্বা অদু চৎপা য়াখিদ্রে। খোঙনা চৎপা নৎত্রগদি পাম্বৈ লৈত্রে। মফম অদু হৌজিকসু লৈত্রুক চৎপা য়াওবা মরম্না অমুক হন্না তুরেল লোমদা লৈরায় নমথখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। তুরেলগী লৈরায় অসিগী মনাক্তা দুকান ফল্লিবশিংসু তুরেলগী লৈরায় নমথখিবনা মরম ওইরগা দুকান ফম্বা কিনরে। ইঙা থাদা অমুক ঈশিং ঈচাও লাক্লগদি অমুক হন্না লৈরায় অসি নমথখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে।

শিংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা শিংজমৈ থোংখোঙদগীনা কৈথেল মচিন ফাওবা মিটর ২০০ রোম শংবা এরিয়া অসি কৈথেলগী অমোৎ অকায় হুন্দোকফমসু ওইবা মরম্না মফম অসি উচি মকোল য়াম্না শাজিল্লকপনা মরম ওইরগা লৈরায়গী ফিভমসু কা হেন্না শোকচিল্লে। মফম অসি তরু তনান্না থল্লগদি লৈরায় শোকপগী চাংসু হন্থরক্কনি। মফম অসিদা কৈথেলগী অমদি কৈথেল মনুংগী অমোৎ অকায় ময়াম অমা হুন্থরকপা অমদি পৈশিন্দুনা লৈবা অসিনা মফম অসি য়াম্না মোৎশিনবনা মরম ওইদুনা তুরেলগী ঈশিংদসু লায়না তিলনা কয়া পোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। মফম অসিদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাংবুনা অমোৎ অকায় হাপ্পবা দষ্টবিন অচৌবা অমা থম্বীরবদি মোৎলিবা অসি খরমখৈদি কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবীনবা মীয়াম্না অপিল তৌরক্লি।

## ময়ায় লম্বীগী পোটহোলশিং মেনশিবীয়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): ৱাহেং লৈকায় থোং নম্বোনবী মপাদগীনা লংথবাল থোং অমনবী ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা ময়ায় লম্বীগী শরুক্তা লৈরিবা অহোবা মখুলশিং অসি য়ান্সনবনা মীয়াম্না গাড়ি থৌদুনা চৎপদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশোক অপন ফাওবা য়াওনরে। পোটহেলশিং অসি ইঞ্চি ৩/৪ ফাওবা লুবা য়াওবনা গাড়িশিংনা থৈদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা লম্বীগী নাকলদা গাড়ি থৌরম্বা অমদি খোঙনা চৎলম্বা মীওইশিংদা তোয়না থেংজিনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। নোংচুবা মতমদনা অকুৎপা মফমশিং অদু গাড়িশিং থৌরকপদা খঙদবদগী কন্না থৌদরুবদা ঈশিংনা চোঙদুনা লম্বীগী নাকলদা চৎলিবশিংগা খৎন-চৈনবা থোক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

## ꯁꯣꯔꯥꯠ / শোরাৎকী পাউজেল



হৌখিবা তাং ৩০/৭/২০২২ ইং থৱানগী ২ নি পানবা থাংজা নুমিৎতা ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু কোনবীরম্বা শ্রী লাঙ্গোঞ্জম লুখোই সিংহ ঈশ্বরগী খুয়াদা চংজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৪/৮/২০২২ ইং, থৱানগী ৬ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা তাং ১২/৮/২০২২ ইং থৱানগী ১৫ নি পানবা পুর্নিমা নুমিৎতা শোরাৎ থোক্লে।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি শাগৈ নাতৈ পুন্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরেম পরেং ঃ- (১) অয়ুক পুং ০৮:৩০ ভেক কৎপা
(২) অয়ুক পুং ০৯:৩০ সংকৃত্তন হৌবা
(৩) অয়ুক পুং ১১:৩০ থৌরম লোইশিনবা

*পাউজেঞ্জরিবা* - লাঙ্গোঞ্জম পিশকমচা দেবী
পিশুম থোং, ওইনাম লৈকায়

HL-P/3571/03

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DISTRICT COOPERATIVE OFFICER, IMPHAL EAST DISTRICT MANIPUR

### ꯈꯪꯍꯟ / PUBLIC NOTICE

Porompat, the 29th July 2022

No. 7/DCO(IE)/GC/2018 : In pursuance of the standing Orders of the Additional Chief Secretary (Cooperation), Government of Manipur vide Order even No. Dated 29/06/2022, this is to notify to general public specially all Cooperative Societies registered under the Manipur Cooperative Societies (MCS) Act, 1976 and all Association/Club/ Organisation/NGOs registered under the Manipur Societies Registration (MSR) Act, 1989 within Imphal East District, Manipur.

That a District Level Commitee headed by the Deputy Commissioner, Imphal East District has been constituted for identification of defunct Cooperative Societies for the last 5 (five) years and 3 (three) years in respect of the Association/Club/Organisation/ NGOs (MSR Act). The Commitee shall examine properly and recommend the names of Cooperative Societies and the names of the Association/Club/Organisation/NGOs under the MSR Act, 1989. Which are found defunct to Cooperation Department for "LIQUIDATION" as per provisions of the Manipur Cooperative Societies (MCS) Act, 1976 and the Manipur Societies Registration Act, 1989.

In case if there are Cooperative Societies or Association/Club/Organisation/NGOs which are actively functioning but forgotten or yet to correspond or submit the General Body Meeting Proceedings of reconstitution and the annual audited statement etc. may submit to the District Cooperative Officer/Zonal ARCSs, Imphal East District immediately to avoid cancellation of your Societies/Association/Club/Organisation/NGOs.

**Sd/- S.Mahendra Singh**
District Cooperative Officer
Imphal East District, Manipur

HL-P/3569/03

## ꯄꯟꯆꯥꯌꯠ ꯀꯟꯚꯦꯟꯁꯟ
## PANCHAYAT CONVENTION

Institute of Development Studies, Manipur না All India Panchayat Parishad, New Delhi গা খুৎশম্নদুনা Imphal গী Old Assembly Secretariat Hall দা Panchayat Convention অমা তাং ৭/৮/২০২২ ইং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা পাংথোকচগদৌরি।

ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী MLA S. Kebi Devi না Chief Guest ওইবিদুনা হৌদোকপিগদবা থৌরমদা Retd. Commissioner শ্রী কাংজম রাধাকুমার সিংহ, IAS না মপুং ওইবা ৱারোল পিবিগনি লোয়ননা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা Zila Parishad কী Adhyaksha শিংনা Guests of Honour ওইবিগনি।

ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা Delegate অমদি Invitee শিংনা মতম চানা লাকপিনবা নিংশিংজরি।

**Sd/- Yumnam Laksman Singh**
**Secretary, Information & Publicity, IDS**


HL-P/3574/03

## ꯌꯣꯟꯒꯅꯤ / Tiddim Road তা Dukan শাঞ্জরি

18X18 পাকপা মথোন মরি (Four Floor) ওইবা Building অমা Sega Road Takhel Leikai দা শাঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাদা পঞ্জরিবা নম্বর অসিদা পাউ লৌবীয়ু।

HL-P/1395/03 # 7005463600

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7730/9/7-9/8

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 224/SDC/IW-L/2022**

1. Binodini Angom, W/o. Ningthoujam Bijoy Singh of Phayeng Awang Leikai
2. Angom Bijenti, D/o. (L) Angom Munal Singh of Phayeng Makha Leikai - Petitioners

-VS-

Late Angom Raja Singh, S/o. Hira Singh of Phayeng Makha Leikai - OP/Party

### ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

01/08/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম রাজা সিংহ পীতা মৃত হিরা সিংহ সাং ফয়েং মখা লৈকাইগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৬৮ দাগ নং ১০০১/১৩৬৬ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৬৪ চাওবা অঙনফৌগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/1394/3

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref: Mutation Case No. 576/AS&SO/VIII/K Dt. 29-07-2022**

Salam Romabati Chanu, W/o Late Yengkhom Somorjit Singh of Kakching Mayai Leikai -Applicant

-Vs-

Late Yengkhom Somorjit Singh, S/o Y. Kunjabapu Singh of Kakching Mayai Leikai -O.P.

### ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Dt. 1-08-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা তহশিল খুল নং ৫৮-ককচিং খুলেন পাট্টা নং ৪৪৪ (অরিবা) ১৫৮/Part 'A' অনৌবা দাগ নং ১০৩০/Part A এরিয়া .৫৭ একর/হেক্তর ইঙ্খোল/তাওথাবী লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম সোমোরজিৎ সিংহ পীং কুঞ্জবাবু সিংহ সাং ককচিং ময়াই লৈকায় অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer,**
**Kakching:Manipur**

HL-P/3566/3

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 455/AS&SO/TBL Dated:- 28/07/2022**

Shagolsem Maingou Devi D/o (L) Shagolshem Yaimbi Devi W/o (L) Chaoyaima Singh of Langathel. -Applicant

-Vs-

(L) Pattadar, Shagolshem Yaimbi Devi W/o (L) Chaoyaima Singh of Langathel Co-Pattadar No. 1. -OPP

### ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Dated :01-08-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল খোংজোম খুল নং ৪৫-লাংথেল পাট্টা নং ৬১৯ (অনৌবা) দাগ নং ৩৯১ এরিয়া .৩২৮০ হে: চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার নং ১ শুবা শগোলসেম য়াইমবী মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপী শগোলসেম মাইঙৌ দেবীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্ত Court অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M.Ningthembi Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer**
**Thoubal, Govt of Manipur**

HL-P/3363/03

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না পীক্না থোক্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, শা-ঙা চারগা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, অমাংথোঙ ময়াদা কোবীলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরক্লগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎখিবসু য়াওবা, মশানা হঙ্গৎত্রগনা খুৎনা ইনশিনবা, অয়াম্বা মতমদা মশানা হঙ্গৎতবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মচা মচা শৌরগা নাই হাল্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না পীক্না থোক্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, অমাংবদু পীক্না থোক্লকপনা অমাংথোঙ মনুংদা অমাংবা মখাক লৈহৌবা, অদু খুৎনা কোৎলগা শেংদোকপা, শেংদোকহৌদবা তারগদি অমাংথোঙ মনুংদু হম-হম লাওনা চিক্লগা লৈবা, শা-ঙা চারগা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, শা-ঙা চাদ্রিমখৈ ফবা, অমাংথোঙ ময়াদা কাকফৈ অমুনবগুম্না পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/ SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Sh. Sanathoi Meitei**
Keisamthong

HL-B/7731/3